# ওন্থোকপা মীফম অমগী তমহৈদেবা পাউদম

নোংমা, ঐখোয় মরুপ-মপাং অরিবা খরা মপান্দা সেন্ট্রেল সর্ভিস তৌদুনা চহী কুন্থ্রা হেন্না লৈখ্রবা মরুপ অমনা শীল্লক্তুনা চাক চরা অমা চামিন্নখি। কুইখিদ্রি, থা ফাখিদ্রি। অয়াম্বনা রাম লাল পোল হায় স্কুল অমদি দি এম কোলেজদা তম্মীন্নখিবা ঙাক্তনি। পূন্সি খোঙচৎ হায়বসিসু অঙকপনি - কদোমদা চৎকনি খঙনদ্রিঙৈ মতমদুদা কয়াদা নুংঙাইবা, মথুম-মরাং হৌরবা পূন্সি অমা লেনমিন্নখিবা! অৱাবা য়াওদবা, নুংঙাইবা মঙতনা থল্লবা পূন্সি অমমম! ঙসিনা, তোঙান তোঙানবা লম্বেলদা পূন্সি লম্বী চৎনরিবা, পূন্সি ঈচেল অসিগী তোৱৈ-তুথুপ কয়াদা অৱা'-চৈথেঙ মায়োক্নরক্লবা লম্বী চৎপা/হি হোনবা ওইনা লম্বী মফাঙ অমদা পুল্লপ থেংনররে। মীকূপ খরগী তুং কায়নখিবা অদুনা খঙদে, কৈদৌঙৈ অমুক কদায়দা থেংনগদৌরিবা! নহানগী তানফম অদুগুম পুল্লপ পূন্না থেংনবদি ওইথোক্তবসু য়াই অমুক হন্না। অদুবু, খোঙচৎসিগী অরোইবা পন্থুং, ঈচেলসিগী অরোইবা ইতিনফমদুদি অমত্তনি হায়নৈ। মফমদুদা পূম্নমক লোইনা অমুক উনগনি। অদুবু, ঐদি য়ানীংদে। হকচাংনা মালেমদা তিলহৌরগা, থৱায়না লাইরৈবাক্তা অমত্তা ওই হায়বা অর্গুমেন্ট অদু ঐদি য়াবা শুকঙম ঙমদে। ঐ পোকপা নুমিত্তা ইমা-ইপানা অহানবা মচানুপা ফংবগী হরাও মথোয় কাখি হায়, ঐদি মদু খঙখিদে। ঐনা শিবা নুমিত্তা ইচা-ইশু পূম্বনা অৱা মৈশা লাংগনি, ঐদি মদু খঙলরোই। ঐনা খঙদবা পোত্তুগীদমক লাংতক্নরুবগী করি কান্নবা? ঐনা থম্মোয়দা লাৎচবা স্পিরিচুঅল-গুরু অমনা হায়রম্মী - 'হৌখ্রবা অমদি লাক্কদবা মতম হায়বসিদি ঐখোয়গী ৱাখলনা শাগৎপনি, 'হৌজিক' হায়বসি নত্তবা অতোপ্পা মতম অমা লৈতে।' হৌজিক অমদি ঙসি হায়বা মতমসিননি মীওইবগী পূন্সি শেন্নিবা। ঙসি লৌখিবা ৱারেপ্পুননি হয়েং কৌবা খঙদবা মতম অদুগী পূন্সি শক্তম শাগৎলক্কদৌরিবা।

হৌখ্রবা, হৌজিক অমদি হয়েংগী ৱারী কয়ানি - কোকসিবু ৱাউরি-ৱাউরি ঙাওহনবা, ৱাখল হেন্না খলহনবা অঙাংবা মহী য়াউম খরা খরা য়োৎলগা শানখিবা। খরনা লীরকই - মশুশিংগী নুংঙাইরবা কুম্মৈ, মচাগী নুংশিবনা পুনখিবা লীচিং অদুদগী হেন্না চেৎশিন্না পুল্লকপা মরী। অমনা ফেনজিল্লকই - 'অহল ওইশিল্লকপদুদা মানা নুংশিজরম্বা মচাদুনা মীরায়রক্লনি কিন্দুনা, মশুদুদা নুংশিবগী লীলা শান্নশিন্দুনা মচাগী মীনুংশি নিরিবনি'। অমগীনা 'মনেম-মমৌ উন্নবা য়াদবা, নেগেটিব-পোজিটিব থেঙ্গাইনবগী' ৱারী। তূল্লমদাই পান লৌবগী থৌদৌ তাদুনা, চহী হুম্ফু লানখৎলক্লবসিদা তাঙনা ফংবা অমত্তা ঙাইরবা মপারিদু ক্লাস সিক্স তম্বতা ঙাইরিবসু য়াওরম্লি। অদুগা, মতম চানা মপান-মঙ লিংখ্রগসু, চহী কয়া মহে য়ান্দবা উপাল লৈবগুম, চহী কুন্থ্রাগী মমাঙদা লুহোং-থৌরম পাঙথোকখিবা ইতাও নিংথেমগী মফমদদি ৱারীশিং অদু 'মথম্মোয়দা তাশোন' ওইনা থোক্লমাল্লে, য়াউমসু অম'নি হেনখ্রবরা, হায়রকখি - 'অফবা ইচা পোকই হায়দুনা করিসু চাউথোকচনীংঙাই লৈতে... য়েংঙু, ইতাউ শ্যামসুন্দর, শ্যামগুম্না শকহেনবা, ... দাইমন্দগুম্বা মপারী অনী, মমায়সি ফৌরামুক পাকপা য়াবনি ... অমনা অমেরিকাদা, অমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা... মপাগীদমক নুংশিবা মমাগীদমক থাদা লুপা লাখ অমা-মখায়দদি খূরক্তগী নান্থখিবা ওইরমগনি... (মতৎ-মতৎ খোঞ্জেল তপ্পা ঙাঙলম্বদু কনখৎলকখি) নুংশিবগী লমনবু পৈশানা শিংবা য়াবরা?... পৈশা শঙবায় পৈরগা নুংঙাইবা কৌবা য়াবরা? ... অদুগুম্বা নুংশিবা, অদুগুম্বা নুংঙাইবা ফংদৌ শরুক... মচাগী ঈকং থোল্লবা ঐগী নুংশি-থোইবীগা লৈকংলাসিদা কংশি-শিমিন্নখিবনা শরুক লিশীং হেন্না ফৈ...'।

ফাগি-ফাগিদগী ৱারী অদু ইমোসনেল ওইরক্লে খন্দুনা ৱারীগী ঈচেল ঈথৈনবা হোৎনরুই...'নুংঙাইবগী অশেংবা দিফিনিসনদি ঐখোয়গী মরুপ 'নিংথৌরেন' খক্তনা পীবা ঙম্লমগদবনি... মাদি পাউ ফংদবজাৎলা, ঐখোয় ময়াম পূল্লগা মহাক য়াওদবা অসি কদায়দনো অমা ইহাঙ হাঙবগুম ফাওই ইশাদা'।

'ইশামক চত্তুনা পীরম্লিবনি, মমিংতা নিংথৌরেন কৌবা নত্তে, নিংথৌমক্কী পূন্সিনি মানা লেল্লিবা পূন্সিসে, উনবগা পাক ফংবা নত্তে, মাগী প্রাইভেট সেক্রেটরিদা পীরম্বনি' য়ূম্মুনা শেংদোক ৱারোল পীরকপদুদা, কোল্ড ড্রিঙ্ক থক্লম্বা মরুপ 'ইশ্বরচন্দ্র', মচিন্দগী মহীদু 'ফ্রি-ফ্রি' কামথোক্লগা নোকথোরকই। 'নিংথৌরেলগী প্রাইভেট সেক্রেটরি' হায়রল্লগা মথন্তা খাম্বা য়াদ ফনা কুইনা নোক্তুনা লৈখি। 'ইশ্বরচন্দ্র' - কুইরবনি, হায়দরবাত বেজ তৌবা ফোরেন কম্পনি অমদা অচৌবা ফম অমা পায়দুনা লৈখিবা। মতু-মচা লোইনমক পুশিন্দুনা লৈখ্রবনি। মহাক খঙলম্লোই - মমাঙগী মীখলদুদা 'নিংথৌরেল', মহাক্কী সর্টিফিকেটকী মিং অদুদা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইরি হায়বসে। স্কুল তম্লিঙৈ ক্লাস য়াওদবা (এবসেন্ট ওইবা) দা মমিং চৎপনি। করম্বা চহীদা মেত্রিক পাস তৌখিবা কনানসু খঙখিদে। করি তম্লিবনো খঙদনা 'মদ্রাজ' (চেন্নাই) দা ফনা কুইনা লৈরম্মী। থোরক্লগা মখল কয়াগী করবার তৌরম্মী হায়, খঙহৌদনা শেল পায়খৎলকখি। মন্ত্রি-মন্দল তিন্নরকখি, অচৌবা থিকা তৌরকখি, কেবিনেট মিনিষ্টর কয়াগী অখন্নবা মরুপ ওইরকখি, সোসল ৱার্কর হায়বা য়ুনিভর্সিটি দিগ্রী নত্তবা, মশানা পীজবা মিংথোল অদু নপুনা মীখলদা মীরেপ ওইবদা, হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা অমা মায়থীবা পীরমদুনা মায় পাক্লগা, মশাগী পার্টি থাদোক্লম, মরক্তা রুলিং পার্টিদা য়াওখিবনি। হন্দকসু মাগী কেন্দ্রদা মাবু মায়থীবা পীবা ঙমগদবা মীরেপ লৈতে হায়নরি।

ৱাদনা নুংঙাইবা থিবদা খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈসি মীৱা ঙাঙনবনি হায়বসি তশেংনমক চুম্বজাৎনি। ইশ্বরচন্দ্র'দা নিংথৌরেলগী অনৌবা মশক তাক্লবা হোৎনবদা শানখিবা ৱারীশিংদু, হৌরকপদা নিংথেমগী থম্মোয় শোকহনখিবদুগুম্না কনাদসু ৱাই চিলহনখিদে। নিংথৌরেনগী ৱারী শারম্বদগী ঐখোয়বু ঙাক্লিবা লৈঙাকসিগী মরমদা ওন্থরকখি। দিকেদ অমা তঙ্খায় হেল্লক্লবা মরা চেৎলবা লৈঙাকসিগী মীচংদা খরা মায়োক্তা খরা। খল্লকখি, সিরিয়স ওইবা ৱারী শানবা তারবা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা তেংনা হায়দোকহন্নবা, মরু ওইবা ৱাঙাঙলোইশিংদু পেগ খরা খরা শোয়দনা পীথক্কদবনি।

মশক মমিংদি পন্থোক্লরোই, ঐখোয় ময়াম মরক্তগী মরুপ নিংথৌরেলগা খরা নক্না লোয়নবা, মায় পাক্না থিকাদা মায়ওন চুন্নিবা মরুপ অমনা হায়রকখি, ...'হৌখিবা চহী কয়াসিদা পানখিবা লৈঙাকশিং অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংবীয়ু- ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগুম্বা অমা কৈদৌঙৈ লৈখিবগে? শেমগৎ-শাগৎপা, চাওখৎপগী লম্বীদা লৈঙাক অসিনা তৌখিবা থবকশিং-চাউথোক্লা হায়বীগে- তুংদা লাক্কদবা লৈঙাক অমত্তনসু ঙম্লোই... লম্বী থোং, বিল্ডিং, মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং, পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তৌরিবা, অতোপ্পা ষ্টেটনা তমজনীংঙাই মশক্লি... কংলা, বি টি ফ্লাই ওভর, এম এফ দি সী, কনভেন্সন সেন্টর, হায় কোর্ট, এসেমব্লি সেক্রেটরিএট, ন্যু সেক্রেটরিএট, আই এস বি টি, অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হেদকার্টরশিংদা শেমগৎলিবা... তশেংনমক, চাওখৎপগী পন্দোল লোন্নবা হায়বদু য়ারবনি...'।

ইজরিবা ৱাহৈসিনতা ৱাৎলগদবা থাগৎ ৱাহৈদু তাবদা ঐহাক য়াম্না ৱাখি। ঙাঙনরিবা ৱাহৈগী অনেম অৱাং! ৱাহৈগী অওক-অথোম তৌনরুবদা, পার্টিদুগী য়ূম্থু ওইরিবদুদা ইকায়বা পীবা তারগনি খন্দুনা কনানসু য়েৎলকখিদে। মহাক মথন্তা নায়তোম তারে খল্লবরা? নৎত্রগা হায়নীংঙাই ৱাহৈ লৈত্রবরা? পংকুই কুইনা ঙাঙলকখিদ্রে। অদুবু, মাগী থাগৎ ৱাহৈ মরক্তা 'অহোয়, চুম্মী' হায়বা ৱাহৈ অমত্তা তিল্লিবশিংদুদগী তাখিদবা অদুনা, মহাক মমৈদা মশানা মশাবু ৱাখল তাহনজরমগদ্রা? মদুমদি খঙদ্রে। য়ূম্বুরেম্বী অদুনা খুদক্তা চাকপাউ পীরক্লমদ্রবা - ৱাহৈ কারন খরদি শোয়দনা ঙাঙনরমগনি।

ঙসি, ইশাগী ৱাখল ফোঙদোকপা কাখল অসিদা নুমিত্তুদা ঐগী মরুপুদা হংহৌদ্রবা কাউন্টর ৱাহং অমনিদং, মাগী নাকোং য়ৌনবা ইথোকচনবা তাঞ্জা লৌজবনি। চীং-তম পুল্লগা শেম্বা লমদম অসিদা, লৈঙাকসিগী লুচিংপুরেলনা, করম্বা নুমিৎ থাদা চীংগী লমদম অমদা অহিং য়ারেক্তুনা চীংগী খুঞ্জাশিংগী অৱা-নুংঙাই হংনদুনা চামিন থকমিন্নবা য়াওখ্রবগে কৈদৌঙৈ? খূজিন মমায়মুক পাকপা পীকখ্রবা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফূরুপশিং অমত্তা নুংশিনদ্রিবা, অফবা লৈঙাক লৈখিবগী খুদম্লি। কুকি-মীতৈ হাৎনরকপা, লৈমিন্নবা য়ারক্ত্রিবা - অফবা লৈঙাক্তুগী খুদোলনি। কুম্মাথোইশুবা চহীচাসিদা তরামাপনশুবা চহীচাগী লম্বীদা চৎলিবা, অফবা লৈঙাক লৈবননি।

কান্নদে লৈপাকমচাশা! খন্থমিন্নসি অমুক্তং। ফেল্ড-ষ্টেট অমদনি ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা। ইরৈবাকসি কনমিন্নসি, কনবা ঙম্ব্রা য়েংমিন্নসি।

*-ইন্দ্রকুমার*

# লীথোকহৌদ্রবা ৱারী, খৌপুম আর্ট কেম্প ২০১৯ - (২)

ঐনা খৌপুমবু অমুক্তং চৎনীংবসি উবীরম্লে মপূ মানা, নোংমা ইথা থাজদনা জুন ১, ২০১৯গী নুংথিল পুং ১মুক তাবা অদুৱাইদা মতমদুগী আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি বি বিশমভোর শর্ম্মানা ঐনা মীৎ চোইবা য়াদবা লাই অমা কন্না য়েক্লিঙৈদা তুংলোমদগী ওজা হায়না কৌরকপদা ঐ খংপ্রেক খংখি। ঐনা করি লৈরগে হংই। বিশমভোরনা য়াম্না থাজদনা 'ওজা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী আর্ট কেম্প অমা খৌপুমদা পাঙথোক্লনি অদুদা ওজাসু য়াওবীয়ু হায়বা লাকচরিবনি'। ৱাফমদু তাবদা ঐ হায়ফম খঙদনা হরাওখি।

ঐনা হায়খি, ফৈনে অদুদি কৈদৌনা য়াওরোই, ঐনা চৎনীংদুনা লৈরম্বা মফমনি। 'আর্ট কেম্প অদু জুন ৮দগী ১২ ফাওবা তৌগদবনি। মখোঙ য়াঙবা সেক্রেটরি বিশমভোরনা শিন্দোক-শিঞ্জিন লোইনা তৌরম্লে। চৎমিন্নগদৌরিবা আর্টিষ্টসু মখোঙ য়াঙবা ঙাক্তনি, সিনিয়র আর্টিষ্টতি ঐজ্ঞা অরিবম জয়চন্দ্রগা ঐগা তারে অদুগা নহারোল আর্টিষ্টশিংনা বি বিশমভোর শর্ম্ম, ওইনাম টিকেন, সোরাম ভুবনেশ্বর, কোংখাম দিলিপকুমার, গান্দাম্পু গোলমৈ অমসুং অথোকপম কুবেরনি।

জুন ৮, ২০১৯গী অয়ূক পুং ৯ অদুৱাইদা মতমদুগী আর্টস সোসাইটি মণিপুর, নোংমৈবুংগী ওফিস মমাঙদা ঐখোয় পুল্লে। বোলেরো গাড়ী অনীদা ঐখোয় খৌপুমগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লে। বিষ্ণুপুর বজারদা অৱাৎ-অপা খরা লৈরবা তুংদা খৌবুম লম্বী চৎপদা অহানবা থেংনবা চীং ঙারিয়ান লাম্থোক্লগা লৈমতাক তুরেল মথক্তা থোং অমা শারম্মী, দিজাইন ফজে, শঞ্জেনথোংগা মানরপ তৌই। থোং অদু লাম্থোক্লগা অঙম্বা চীং অদুম থৌগৎপা হৌরে। গোলাই মশীং থিঙমদে। অদুবু চাউরবা চীংশাং কয়াগী মরোল-মরোল অদুম তামখিদুনা অতিয়াগী শংবান্নবা মচুগা তিনশিনখিবা, তাম্না উবদু ঐ তশেংনা থম্মোয়দা অপেনবা ওই। লম্বীদা নূঙ ঙাক্তা ঙাইবা চাউরবা নূঙগী ক্বারি খরসু লৈহৌই। ফজরবা মফমদা খাল্লগা ফোটো খরসু নল্লকই।

গাড়ীগী থোঙনাওদগী ঙক তেকখৈ য়েংখৎপদা অদুক্কী মতিক ৱাংবা চীংনিকো খল্লুবদা অকিবসু ফাওখি অদুবু অসি ওইরেকো খৌপুম লম্বী হায়দো হায়না খন্দোক্লে। গাড়ী তোংবদা কোক ঙাওগনবা মীদি খরা ৱাগদবা লম্বীনি। লম্বীদি ফজনা শেমলম্মী। কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌনা-তৌনা য়াম্না তাম্না খৌপুম দাম্না থিনগৎলগা লৈবা অপাকপা ঈশিং অদু ঙৌশ্রোক ঙৌনা উরে। থম্মোয়দা অপেনবা অমদি ফাওজে। খিক্তং থৌরগা ৱেলকম টু গাইদিমজাং থাবা গেট অমা লিংলগা খৌপুম বজার য়ৌরে। খৌপুম বজারসি গাইদিমজাং খুলদা অদুম লম্বীদুগী নাক



য়েৎতা দুকান খরা লৈরিবা অদুনি খৌপুম বজার হায়রিসি। মেন রোদতুগী মনীং মমাঙদা মী তাই। বজার মনীংদা লম্বী অমা চঙলি। খিক্তং চঙলগা নৌনা শাবা এস দি ও ওফিস কমপ্লেক্স অমা লৈ। খরা ৱাৎলিঙৈদগী অদুম উরে। ব্লু মচুগী roofing নি। ওফিসকী ৱালশিংদো লাইট ক্রিম মচুনা লোইনা তৈবনা থাপ্লিঙৈদগী চোংথোক্লা উই। ওফিসতুগী মায়োক্লবদা ১৩-সিখ আর্মিগী কেম্প অমা লৈ। আর্মি কেম্পতুগী মনাক, এস দি ও ওফিসকীনা ওপোজিৎ হায়বা তারে পীকক্রু পীক্না চীংনাও মচা অমা লৈ। মতমদু নুংথিল পুং ২ মুক তারে। নুংশা য়াম্না শাই, লশিং মফোল মাল্লবা ঙৌশ্রোক ঙৌবা লৈচিলনা মরাং কায়না অতিয়াদা পাই। পাইরিবা লৈচিলশিংদুনা ঐখোয়দা ঈশিং চাইথরগা লাক্লবগা মান্নে। লৈচিলবু পাইরবা নোং হেক্তা খিকই। মফমদু অশুকপা চীংজাওনা ইকোয় কোয়শিল্লি। তশেংনা খৌপুম হায়রিবা মফমসি তম্পাক্লি, অদুননি খৌপুম তম্পাক হায়রিসি।

এস দি ওগী ওফিস কমপ্লেক্সতনি ঐখোয়না কেম্প তৌগদৌরিবা মফমদু। ঐখোয় পূম্নমক ৱারবনিনা ঙাইহাক্তংদি পোথাই। অদুবু লেপখ্রবা প্রোগ্রামনিনা আর্ট কেম্পতুগী ফঙ্কসন অদু ইচম-চম্বা মওংদা খুঞ্জা খরগা লোয়ননা পাঙথোক্লে। খৌপুম এরিয়াগী ভিলেজ চ্যেরমেন, Athon Remei না চীফ গেষ্ট, আর্টস সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট অরিবম জয়চন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌরে। গেষ্ট ওফ ওনরনা ১৩-সিখ আর্মিগী সুবেদার গুরমাসনা ওইখি। ফঙ্কসন লোইরবা তুংদা ঙাইহাক লৈরগা কোরৌহনবসু মীনৌ খরা থুংলরে খঙ্ব্রা কৈনো ঐখোয়বু ইকায়না য়েংলম্লগা খৌপুমগী মনীংথংবদা লৈরিবা চীংজাওদুদা লৈশিন্দুনা লোৎখ্রে।

খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকপদা, খৌপুম হায়বদি 'খৌ' হায়বনা লাইরেম্বীনা শেম্বীবা অদুগা 'পুম' হায়বনা থোং হায়বনি। মনীংগী চীং অসিগী মথক্তা নূঙগী থোং অমা লৈ, অদুদগী লৌবা ৱাহৈনি 'খৌপুম'। অরিবা ৱারীদদি চীং অদুদগী কুম্লক্লগা তম্পাক অসিদা খুন্দাখিবনি হায়। হৌজিক ফাও চীং মথক্তুদা মী খরদি লৈনরি। শামনবনা ঐখোয় লোইনমক ঈশিং থি ইরুজনবা। লাইবক ফবদি কমপ্লেক্স অদুদা চীংগী ইচুমদগী পাইপ তিংলগা অরুবা, ঈং-ঈং লাউরবা ঈশিং চেন্থরকপদু কোয়লাস দ্রম অমদা তাহল্লি মদুদগী বালতিননা কল্লগা ময়ামদু ইরুজনৈ। হকচাং পূম্বা তেকখৎলে। মতমদু নুমিদাং অদুম ওইরে। খৌপুমসি নুমিৎ তাবা থুই। চীংজাও ময়ামগী মরুম ওইবনিনা। ঐখোয়না নুংঙাইনা ইরুজরিবা ঈশিংদু শোক্লগা য়েংবদা তিনফা মচা য়াম্না থেংনৈ। ঐখোয় ঙাইহাক পাখৎনৈ। মৈ ফংদবনা কেন্দল থাল্লি। মোবাইল চার্জ তৌনবা জেনরেটর অমা ৱাইরুরে। চাক-ঈশিং লাংনবা পুজারি অমা পুই। পুজারিদু মবুকচেল চাউই, ফৈ ঐখোয়দা অৱাবা অমত্তা পীদে। চাক লোইরে চাথোক্লসি হায়না ওন্থোক্না থুনা হায়রকখ্রে। চাক চাথোক্লবা মতুংদা ঙাইহাক অমম্বা মরক্তুদা মপান থোক্তুনা হকচিক লাংনৈ। থৱান্মীচাক্কী ফজবা মফমদুদা উবা ফংই। দিৱালি মতমদা মৈগী কুফেৎ-কাফেৎ তৌবা লৈতেংদু মঙাইরে। ইকুই কুইখিদ্রিবদা খৌপুমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাকপদা ওফিস অদুগী কমপ্লেক্সতা শাবা য়ূম খরা হুমদোকখিবগী খুদম ওইনা অতেক-অকায় কয়া পৈরগা লৈহৌই। অহিংদু মম্মী অকিবা মশক অমা ফাওবা হৌরক্লে, ঐখোয়না অমুক্তা তাদ্রিবা তীল-কাং, কৌজেং-হারৌ, হঙোইগী মখোলতনা ঐখোয়গীদমক শিনবা কন্সর্ট অমগুম কোরসকী মখোল ওইনা ঐগী নাকোংদা অদুম তাহনবনা তূম্বা য়াখিদে অহিংদো অদুগা চীংদগী হুল্লকপা খেন্ন-খেন্নবা মালংবগী মখোল তাবা হৌরক্লে। ঐখোয়না লৈগদবা মফমদু এস দি ও কমপ্লেক্সতা লৈবা হোল অমদনি।

**-আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

# লিটরেচর ফেষ্টিবেল পাঙথোকপনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা মপাল নাইদ্রবা খুদোল

অইবশিংবু থাক ৱাংনা ইকায়খুম্নরিবা খুন্নাই অমসুং লৈবাক অদুনা মালেমদা মশক নাইবা থবক তৌদুনা লাক্লি। লৈবাক্কী লূরবা তাঞ্জাদা মখোয়গী পাউতাক য়াম্না মরু ওই। অইবশিংদি ভিজন্নরিশিংনি অদুগা খুন্নাইগী শকয়েং মীংশেলনি। মখোয়গী কলমনা অঙৌবা চেবাংদা খুন্নাইগী পুৱারী পূম্নমক লাচল্লিবনি। মীওইবা খুন্নাইগী পুৱারীসু মখোয়না ইরিবনি। মখোয়গী ফেষ্টিবেল তৌবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। মালেমগী মফম কয়াদা লিটরেচর ফেষ্টিবেল কয়া পাঙথোক্লি। খ্বাইদগী মমিং চৎপা ফেষ্টিবেল অমা হায়রগদি ইদিনবর্গ ইন্টরনেসনল বুক ফেষ্টিবেল অসিনি। চহী খুদিংগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকই। মসিদা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী অইবা ৯০০৯ হেনবনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংগা লোয়ননা পাঙথোকপা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসিদা পেনেল দিস্কসন, বুক রিদিং, দিবেট অসিনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লিটরেচরদা ভেল্যু হাপ্লি।

লিটরেচরদা নোবেল লৌরিয়েট পুথোক্লিবা ইন্দিয়ানি। রবিন্দ্রনাঠকী পোক্লফমনি অদুগা ইপিক্কী হৌরকফম্লি। কলা সংস্কৃতিগী তুংনফম ওইরিবা চাউরবা, মতিক-ময়াই লৈরবা লৈবাক্লি ইন্দিয়াসু। অদুনা চাউর-চাউরবা লিটরেচর ফেষ্টিবেল কয়া পাঙথোক্লি ইন্দিয়াদসু। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেলশিংগী মরক্তা জয়পুর লিটরেচর ফেষ্টিবেলসু অমনি। হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসি 'পিঙ্ক সিটি' জয়পুরদা জন্যুৱারী থাগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লাইরিকপু পামজবা, নুংশিবা, পাজনীংবা মীওই লিশীং য়াংখৈ হেনবনা শরুক য়াবা ফেষ্টিবেল অসিমক সাউথ এসিয়াদা খ্বাইদগী চাউবসু ওইরি। ফেষ্টিবেল অসিমক কুমজা ২০০৬তা মশাগী ওইজবা থিদনা নামিতা গোখলে, গৌতম পাদ্মানাভান, সঞ্জিব সৈট, শাকূণ গুপ্ত, শালুশ্রীভাস্তাবা অমসুং সুমন বিশ্বাস মখোয় তরুক্না থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। মসিগী পান্দমদি মালেমগী লৈবাক কয়াদগী অফাওবা অইবা কয়া পুরকপনি অদুগা ইন্দিয়াবুনা মালেমদা শক্তাক্লবগী তাঞ্জা অদু লৌবনি। চাউরবা খোরিরোলগী ফম্বাক্লি শেল্লিবসি।

ইন্দিয়াগী কলচরেল কেপিটেল হায়রগসু খঙনরিবা কোলকটাদসু য়াম্না চাউনা পাঙথোক্লি কোলকটা লিটরেরি ফেষ্টিবেল হায়না মিংথোন্দুনা। হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিমক পব্লিশিং হাউস অমা ওইরিবা ABAA (Amrita Book, Art and Authors) না কুমজা ২০১১দগী হৌদুনা চহীগী ওইনা দিসেম্বর/জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা তোঙান-তোঙানবা লোলগী অইবশিং অদুগা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা অইবশিং, কবি, আর্টিষ্টশিংগা উনদুনা ফিক্সনদা, শৈরেংদা, লমকোয় ৱারী লাইরিক্তা, ম্যুজিক্তা য়ূম্ফম ওইদুনা মখল মথেলগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। য়াম্না নুংঙাইবা থৌরম অমনা হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিং, ফোটোগ্রাফরশিংগী পেন্টিংশিং, ফজরবা ফোটোগ্রাফশিং এগজিবিসন তৌবা অসিসু তোপ-তোপ্পা মহাউ অমনি পীরিবসি। লাইরিক কৈথেলনি হায়দবা ঙম্লোই। পূম্নমক অমগা-অমগা মরীসু লোইনা লৈনরিবনি। মরমদি লাইরিক অমা ফোঙবদা লাইরিক্কী মখুম অদু আর্টিষ্টনা দিজাইন তৌরি। অদুগা করিগুম্বদনা ফোটোগ্রাফরনা কাপ্পা ফোটোনা লাইরিক্কী মখুম ওইবসু য়াওরি। অদুনা মরী লৈনদে করম্না হায়গনি।

মুম্বাইদা কুমজা ২০০৮দগী হৌদুনা দি টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী পব্লিশরস ওইরিবা Bennett, Coleman & Co. Ltd. না শিন্দুনা নুমিৎ নীনিগী ওইনা চহী খুদিংগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্লিবা দি টাইমস ওফ ইন্দিয়া লিটরেরি ফেষ্টিবেল অসিদা বোলিৰুদকী সেলেব্রিটিশিং, ফেসনগী, বিজিনেসকী, পোলিটিকেল লিদরশিং কয়া অমনা শরুক য়ারি। হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিমক এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লিটরেচরগী ফেষ্টিবেলশিংগী মরক্তা অমা ওইরি। লিটক্রাফ গ্রুপনা ওক্টোবর নৎত্রগা নবেম্বরদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা বেঙ্গলোর লিটরেচর ফেষ্টিবেল অসিসু য়াম্না তোপ-তোপ্পা মহাউ অমা পীরিবা ফেষ্টিবেল অমনি। 'গার্দেন সিটি' হায়রগসু খঙনবা বেঙ্গলোরগী সেন্ট্রেল কোলেজদা পাঙথোক্লিবা খোরিরোলগী ফেষ্টিবেল অসিনা লাইরিক পাজনীংবা, অইবশিং, অপাবশিং, ক্রিএটিভ আর্টপু নুংশিজবা মীওই লিশীং কয়াগী পূক্নিং চিংশিন্দুনা লাক্লি। হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিদা মালেমগী মফম কয়াদগী অইবশিং ইনভাইট তৌদুনা মখোয়গা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শাবা, লাইরিক ফোঙবা, লাইরিক নৈনবা, শৈরেং শৈদিন্নবা, মখল-মখা কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

নীংথিজনা মচু তানা শিনবা অসিগুম্বা বেঙ্গলোর লিটরেচর ফেষ্টিবেল অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা 'ত্রাভেলর্স চৈইস এৱার্দ' ফাওবা পীখিবা লৈরে। ফেষ্টিবেল অসিমক অইবশিং, ঈশৈ-নোংমাই পামজবশিং, আর্টপু নুংশিজবশিং, জগোয়-ঈশৈদা পূক্নিং লুপচবশিং, খূৎশা-হৈবগী লম্দা অঙম্বা হোৎনরিবশিং অদুগা ফজরবা আইদিয়া কয়া পুথোক্লিবা মীওই পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা পূনবা য়াবা খোরিরোলগী ঈতিনফম অমনি। Himalayan Echoes - Kumaon, Art & Literary Festivals উত্তরখণ্ডগী নাইনিটালদা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লি কুম্মাউন লিটরেরি সোসাইটিনা কুমজা ১৯৫২দগী হৌদুনা। কলচরেল থৌরমশিং য়াওনা লাইরিক ফোঙবা, অইবগা উনবা, শৈরেং শৈদিন্নবা, মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা অইবশিংবুসু তরাম্না ওক্লদুনা মখল-মথেলগী খোরিরোলগী কুম্মৈনি পাঙথোক্লিবসি।

নহা ওইরিবা অইবশিংসু পূক্নিং থৌগৎতুনা মখোয়না ইবা লাইরিকশিং, এগজিবিট তৌরি। খ্বাইদগী পূক্নিং হুরিবা অমনা ফেষ্টিবেল মফম অসি নাইনিটালগী লেকভিয়ু পার্কতনি থৌরম শিল্লিবসি। মহৌশা খূৎশেমগী নীংথিজবা মরক্তা অইবশিংগী থম্মোয়দি হুদনা তোকহন্দে। নুংশিবা ৱাহৈশিংনা নিন্দুনা লৈহৌরি ফেষ্টিবেল লোইখ্রবসু। অসুম্না ইন্দিয়াগী মফম অতৈদসু পাঙথোক্লি। মসিগী মনুংদা মমিং পন্দবা য়াদবা অমদি কেরলা লিটরেচর ফেষ্টিবেলনি। কেরলাগী কোচিকোদে সমুদ্র খোংবান্দা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অসিমক DC Kizhakemuri Foundation না শিন লাংদুনা তৌবনি। ইন্দিয়াদা পেপরবেকতা লাইরিক ফোঙবগী ফাউন্দরনি, ফাদরনি হায়না খঙনবা ফ্রীদম ফাইটর, সোসল এক্তিভিষ্ট অইবা অমসুং পব্লিশর DC Kizhakemuri দা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপা য়াম্না মমিং লৈবা ফেষ্টিবেলনি। হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিমক কেরলা লৈঙাক্না শৌগৎলি, তেংবাঙলি, কেরলা টুরিজম্নসু পূক্নিং থৌগৎলি।

শক্লাইরবা কবি অমসুং ক্রিটিক কে সচিদানন্দনা ফেষ্টিবেল অসিগী দিরেক্টরনি অদুগা দি সী বুক্সকি রাবি Deecee না চীফ ফেসিলিটেটর ওইরি। য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফম অমনা কেরলা লিটরেচর ফেষ্টিবেল অসিনা মায় পাক্না পাঙথোকপা অমসুং মসিবু শকখঙবা ওইনা য়ুনেস্কোনা কোচিকোদেবু সিটি ওফ লিটরেচর হায়না লাউথোকখি। অসিগুম্বা শীংথানীংঙাই ওইবা খোরিরোলগী ফেষ্টিবেলশিং লক্ষনৌদা, ইম্ফালদা অদুগা অতোপ্পা মফম কয়াদা পাঙথোক্লরি। মালেমগী মফম কয়াদগী লাকপা অইবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অসিগুম্বা লিটরেচর ফেষ্টিবেলশিং মরক্তা কেরলা লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি শরতচান্দ থিয়ামসু কুমজা ২০১৯দা শরুক য়াদুনা মণিপুরী খোরিরোলবু মালেমগী মীয়ামদা মণিপুরী খোরিরোলগী ফিদা অমা কনবা ঙমখি।

কুমজা ২০২৩দা পাঙথোকপা বেঙ্গলোর লিটরেচর ফেষ্টিবেলদসু লমদম অসিগী নহা ওইরিবী অইবী লিন্থোই চনুসু শরুক য়াখি। মহাক্না ইংলিসতা ইবা লমদম অসিগী ফুঙ্গা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইবা 'ৱায়েল কাতি' ফেষ্টিবেল য়াওবা লাকপশিংনা পাম্না লৈনবগী পাউদম লৈরি। অসুম্না লমদম অসিগী অইবশিংনা অতোপ্পা লিটরেচর ফেষ্টিবেলশিংদা লেপ্তুনা শরুক য়ারক্লি। সাহিত্য একাদেমিনা শীনবা ফেষ্টিবেল ওফ লেটর্ষ্টসু লমদম অসিগী অইবশিংনা মণিপুরী খোরিরোলবু লেপ্তুনা শক্তাক্লি। অতোপ্পা লোলদা ত্রান্সলেসন ফাওবা তৌরি। মণিপুরী খোরিরোল থোইদোক্না নোপ্পা নত্তে। চাং তাবসু ওইদে। লমদম অসিদা অইবা ৱাৎতে। লেপ্পা লৈতনা লাইরিক ফোঙলি। ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরসি মতম খরা পাঙথোক্লগা অমুক লেপখিবগুম তৌই মণিপুরদা। অদুবু খোরিরোলদা ইচং থৌনা থবক থৌরম অমসুং নীংশিং থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা সাহিত্য থৌপাং লূপনা কুমজা ২০১৩দগী হৌদুনা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেল লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। লূপ অসিনা শেল-থুমগী অৱাৎপা ফনা লৈরবসু অৱৈবা খরনা মচু তানা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা।

অমেরিকান পোইট ফীলিফ নিকোলাইভ, কে সচিদানন্দ, জপান্দগী অইবশিং, বাংলাদেশতগী কবিশিং, শ্রী লঙ্কাদগী, ম্যান্মারদগী ইনভাসট তৌদুনা য়াম্নমক চাউনা শিন্দ্রবসু ইন্টরনেসনল লেভেলদা হোৎনবদি লেপত্রি। মসিনা মণিপুর খোরিরোলবু পাক শন্না মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবদা মতেং পাংলি। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদা ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর টুরিজমনা তেংবাঙদুনসু পাঙথোকপা হৌখ্রবনি। মায় পাকখিবনি থৌরমশিংদো। মণিপুরদা অফবা থবক তৌবা য়াম্না লূই অদুবু নীংহন্নবদি য়াদে। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেলগী থৌরম শিনবা অসিনা কাঙলূপ-ফূরুপ কয়াগী মরক্তা মীওইবা মরক্তা সাহিত্যনা থোং ওইদুনা থম্মোয়গী ওইবা মরী অমদি শাগৎপা ঙল্লি। মসি করম্না কান্নদবনি হায়গনি। মীওইবগী অফবা থৌওংনা, থবক্লা অমসুং থম্মোয় শেংবা মতৌনা লংফৈ চৎলুরবা কনাবু সাহিত্যগী খূখাংদা চুমথোক্লুবগী মতমদি পীদুনা লাক্লি।

মহৌশা খূৎশেম্না ফজবা নীংথিজনা পূম্নমক অমত্তা ৱাৎতনা লৈতেংলিবা মণিপুরদা করিগী ইন্টরনেসনল লেভেলগী লিটরেচর ফেষ্টিবেল শিনবা ঙমদ্রিবা। মসি হংনীংঙাইনি। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবসু ফনা মকুইরে। মণিপুরী লোলসু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা শকখঙলবা লোলনি। ইনাক খুল্লি হায়রি কলচরদা। লোক্তাক পাৎপান্দা ইন্টরনেসনল লিটরেচর ফেষ্টিবেল শিনবা য়াইনা। ঐখোয় চিনগা খূৎকা মান্নরিবরা? লৈঙাক্না করি থৌদাং লৌরি। তৌদে হায়বা নত্তে য়াম্না তৌবা য়ারি। মণিপুরী খোরিরোলদা অইবশিংদা থাক ৱাংনা ইকায়খুম্নবীরি। অদুবু তৌবা য়াবদি য়াম্না লৈরি।

*- তোংব্রম অমরজিৎ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১) **''মসিদা নূংশিং অসি করম্বা মখলগী শক্তি চেনবগে, মফম কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বদু কাপশিং লমশিং পন্দুনা নিঙথিনা তাক্লি।''** অসুম্না তাক্লিবা লাইরিক অসি করি লাইরিক্নো?

২) **''এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্স''** হায়না মিংথোল্লবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **''অদুঙৈগী থাবল্লে''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **''হে অথৌবা!**
**মীতৈ লৈমগী মপারি**
**নীংবা কায়রবা মীওইশিংবু**
**নৌনা থৱায় হাপ্পিরম্বা...।।''**
শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) **''কংনাইদ্রবা ফিজি''** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।